
## ইলেক্সন চীফতা টেরর এটেক চথখ্রে

মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মাইখুম উপ্পা নুপা অমনা রসিয়াগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসনগী মকোক ওইরিবা ঈল্লা পমফিলোভাগী ময়ুমদা নমদুনা চঙশিল্লগা মঙোন্দা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না টেরর কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রে হায়না রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইন টরনেল এফ্যেরসনা ফোঙদোকখ্রে। মোস্কো য়াওনা রসিয়নশিংনা রিজনেল ইলেক্সনশিংদা ভোট থাদগদবা নুমিৎ নিনিদা ঙাইশিল্লকপা মতম অদুদা এটেক অদু চথখিবনি।

## কোওর্দিনেসনগী মতাংদা খন্নরগনি

পেরিস, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজতা নীং তম্না নেভিগেসন তৌবা য়ানবা ফ্রান্সকী নেভিনা করম্না ৱাশিংটনগা কোওর্দিনেট তৌনগদগে হায়বগী মতাংদা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পর অমসুং ফ্রান্সকী মহাক্কী লেংমান্নবনা পেরিসতা থাংজ নুমিত্তা খন্নরগনি হায়না য়ু এসকী দিফেন্স ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## চাইনা, রসিয়া থেংনবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরিনা য়ুরোপ্তা আপিল তৌখ্রে



লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী মরু ওইবা স্পীচ অমা পীরদুনা চাইনা অমসুং রসিয়ানা সিক্যুরিটি অমদি ইকনমিক্কী ওইবা অকিবা পীবা হেনগৎলকপগী ফিভম থেংনবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা আপিল তৌখ্রে।

হৌখিবা চহীদা য়ু এস মিলিটরিনা অনৌবা নেসনল দিফেন্স ষ্ট্রেটেজিদা চাইনা অমসুং রসিয়া থেংনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা শক্তম ওইহনখি। মদুনা চহী ১০ হেন্না ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং থেংনবদা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্লম্বদগী লাক্লিবা খ্বাইদগী নৌবা অওনবা অদু উৎলি। রসিয়া অমসুং চাইনানা অতৈ লৈবাকশিংগী শেল-থুম, দিপ্লোমেটিক অমসুং সিক্যুরিটিগী ৱারেপশিংগী মতাংদা ভিটো তৌদুনা ইন্টরনেসনল ওর্দরদা অকায়বা পীনবা হোৎনরি হায়বসি ময়েক শেংবা হেগৎলক্লি হায়বা লন্দন্দা লৈবা রোয়েল য়ুনাইটেদ সর্ভিসেস ইন্সটিট্যুট থিঙ্ক টেঙ্কদা ৱা ঙাঙবদা ইস্পরনা হায়খি। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অসি মমাংগী য়ু এসগী দিফেন্স সেক্রেটরিশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগা মান্নে হায়না লৌবা য়াই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী শীংনবা অসি হকেথেংননা মায়োক্লদুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং চহী কয়ামুক চঙনা ঐখোয় পুন্নমক্না কৎথোকপগা লোয়ননা শেন্নকখিবা মালেম অসিবু কনগে অমসুং তুং কোইনা লৈহনগে হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক্না লৈরিবা ফিভম অসি খঙবগা লোয়ননা পায়খৎফম থোকপা খোঙথাংশিং পায়খৎপা চঙই। স্পেস অমসুং সাইবরগী লমশিংদা লৈবাক অনীমক্কী তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়াইশিং হেনগৎলক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইস্পরনা চাইনাগী মতাংদা বৈজিংনা ইকনমিক পৱার শীজিন্নবা অমসুং টেক্নোলোজি হুবগী ৱাফমশিং য়াওনা নুংনাংন্নিঙাই ওইবা মরম কয়া পনখিবগা লোয়ননা য়ুরোপ্তা লৈবা মরুপ-মপাংশিংনা মসি অরাপ্পদা লৈবা প্রোব্লেম অমনি মখোয়দা শোক্লিংঙাই লৈতে হায়না খল্লোইদবনি হায়খি।

রসিয়াগী মতাংদা মহাক্না মোস্কোগী ফোরেন পোলিসিদা ইন্টরনেসনল নোর্মশিং থুগায়বগী থৌওংশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়খি।

## ইথিওপিয়াদা মশক খঙদবশিংনা এইদ ৱর্কর অনী হাৎখ্রে : য়ু এন এইদ গ্রুপ



নাইরোবি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
সাউথ সুদানগা লোন্ননা লৈরিবা ইথিওপিয়াগী নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প অমদগী হল্লকখিবা এইদ ৱর্কর অনী মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক তৌদুনা হাৎখ্রে হায়না ভিক্তিমশিং অদুগী এইদ গ্রুপ অমসুং য়ু এন ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু শগোলশেল নুমিত্তা সাউথ সুদানগা বোর্দর লোন্নরিবা গম্বেলা রিজন্দা য়ু এসতা বেজ তৌবা এক্সন এগেষ্ট হঙ্গরগী ষ্টাফ মেম্বরশিং অদুনা ঙুয়েনিয়েল রেফ্যুজি কেম্পগী চাইল্ড ন্যুট্রিসন সেন্টর অমদগী হল্লকপদা থোকখিবনি।

ষ্টাফ মেম্বরশিং অদু পুং ২৪ গী ওইবা পেদিয়াট্রিক ন্যুট্রিসন ষ্টেবিলাইজেসন সেন্টরদগী হল্লকপদা লমখাংদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা এম্বুস তৌখিবনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা এইদ এগেনষ্ট হঙ্গরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সি য়ু এন ঐচ সী আরগী দেতাগী মতুং ইন্না ঙুয়েনিয়েল রেফ্যুজি কেম্প অদুদা সাউথ সুদানগী ইরাংশিংদগী লাঞ্জেন্নরকপা রেফ্যুজি ৭০,০০০ হেন্না লৈ। মখোয় কুমজা ২০১৩ দা সাউথ সুদান্দা সিভিল ৱার হৌখিবদগী চেন্থোক্লরকখিবনি।

## টাইৱান্না সোলোমোন আইলেন্দসতা চাইনাগী শেন্দোন লাংদা থুগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে



টাইপৈ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
পেসিফিক্কী ইথৎ লৈবাক সোলোমোন আইলেন্দনা দিপ্লোমেটিক মরীদা অহোংবা লাকহন্দুনা চাইনাগা মরী থম্নরকপা তারবদি বৈজিংনা পীরকপা চাওখৎ-থৌরাংগী মতেংশিং লৌরুবা মতমদা শোয়দনা শেন্দানগী লাং অমদা থুবা য়াই হায়না টাইৱান্না ইরাই নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা সোলোমোন্সগী সিনিয়র লো মেকর অমনা ইথৎ অসিগী গভর্নমেন্টনা টাইপৈগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনদুনা চাওখৎ-থৌরাংগী ফন্দশিং ওইনা দোলর মিলিয়ন ৮.৫ কী শেনফম ওফর তৌরিবা বৈজিংগা ওইনা মীচং ওইনবা পান্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হান্নদি ইথৎ লৈবাক অসি টাইৱান্দগী শেল-থুমগী মতেং কয়া লৌদুনা লাকখি। অসিগুম্বা খোঙথাং অমনা পেসিফিক্কী লৈবাক খরা শেন্দোনগী লাংদা থুখ্রবনি হায়না টাইৱানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন জোৱান উনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা পেসিফিক্তা ইথিল পীবা হেনগৎলকপদগী লমদম অদুগী লৈবাক কয়া শেন্দোনগী লাংদা থুখ্রে। চাইনানা থাজবা পীরিবা তুং কোইনা চৎলোইদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগী ওফরনা মমৈথংদা লোকেল ইকো সিষ্টেমদা চাওনা অকায়বা থোকহনবতা নত্তনা লৈবাকশিং অদুগী সোভরেন্টিদসু অকায়বা পী হায়না মহাক্না মখা তাখি।

শুপ্নগী লৈবাক ১৭ না হৌজিক টাইৱানবু শকখঙলিবনি। মখোয় অয়াম্বা লেটিন অমেরিকা, করিবিন অমসুং পেসিফিক্কী অপীকপা অমসুং লায়রবা লৈবাক ঙাক্তনি। কুমজা ২০১৬ দা সাই ইং-ৱেননা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট ওফিস পায়বা হৌখিবদগী দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরম্বা লৈবাক মঙা বৈজিংদা চোংশিনখ্রবনি।

## জিম্বাবৱেগী ষ্ট্রোংমেন রোবার্ট মুগাবে লৈখিদ্রে

সিঙ্গাপোর, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
জিম্বাবৱেগী নীংতম ইহৌগী লুচিংবা ওইরম্বদগী ওথোরিটরিয়ন লিদর ওইরকখিবা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট রোবার্ট মুগাবে মশাগী চহী ৯৫ শুবদা লৈখিদ্রে।

জিম্বাবৱেগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি হৌখিবা এপ্রিলদগী সিঙ্গাপোরদা লৈবা হোস্পিটাল মশা লায়েংলকখিবনি। মহাক চহী ৩৭ চুপ্না লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা মতুং কুমজা ২০১৭ দা মিলিটরি কূ অমদা মফমদগী চিংথুখিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি জিম্বাবৱে অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগী অমুবা মীওইশিংগী হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনদা অহেনবা মীৎয়েং থমখিবা অফ্রিকান লিদর অমনি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্কী লৈঙাক্কী মতুং তারকপা চহীশিংদা মহাক্না পোলিটিকেল ওপোনেটশিংবু অৱৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নদুনা নমথনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা জিম্বাবৱেগী শেল-থুমগী ফিভমসু অশোয়বা পোলিসি প্রোগ্রাম চৎনহন্দুনা ফেল ওইহনখি।



মহাক্কী মহুৎ শীন্দুনা জিম্বাবৱেগী অনৌবা লুচিংবা ওইরকখিবা প্রসিদেন্ট ঈর্মসন মনাংগগৱানা মুগাবেবু নীংতম ইহৌগী আইকোন অমনি হায়না শীংথাবগা লোয়ননা মহাক্না লৈখিদবা অসি অদুক্কী মতিক অৱাবগী মশক্লি হায়খি।

মুগাবেনা জিম্বাবৱেগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমগী লোইশিল্লকপা চহীশিংদা মনাংগগৱানা মহাক্কী দেপ্যুটি ওইনা থৌ পুরমখি। জিম্বাবৱেবু বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্তগী নীং তম্বা পুরকখিবা রোবার্ট মুগাবে কুমজা ১৯২৪গী ফেব্রুৱারি ২১ দা বৃটিশ কোলোনি অমা ওইনা অঙৌবা মাইনোরিটিনা লৈঙাকখিবা রোধেসিয়াদা পোকখি। কুমজা ১৯৬৪ দা রোধেসিয়াগী গভর্নমেন্ট ক্রিটিসাইজ তৌবগীদমক্তা মহাকপু চহী ১০ হেন্না ৱায়েল অমত্তা চথদনা জেলদা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। কুমজা ১৯৭৩দা জেলদা লৈন-লৈনা মহাকপু জিম্বাবৱে অফ্রিকান নেসনল য়ুনিয়গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।

## টালিবানননা ফারাহ প্রোভিন্সতা অচৌবা এটেক ১ চথখ্রে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
কাবুলদা শাথিরবা সুইসাইদ বোম্মিং অমা চথখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা ইনৌ নৌনা প্রোভিসিএল সেন্টরশিংদা পরিং নাইনা চথখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অফঘানিষ্টানগী নোংচুপ থংবা ফারাহ প্রোভিন্সতা অচৌবা এটেক অমা চথখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান্না সিক্যুরিটিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা গেরেন্টিশিং পীবগী ফিভমদা অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা য়ু এসকী ট্রুপ লিশিং কয়া লৌথোক্লবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং হার্দ লাইন ইস্লামিষ্টশিং ৱারী শান্নরকখিবদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী দ্রাফট দিল অমা য়ানবা লৈরবসু লৈবাক অদুদা মীশি-মীনাগী ইরাং থোকপদি লেপত্রি।

ফারাহ সিটিগী মফম কয়াদা অহিং চুপ্পা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং মায়কৈ কয়াদগী চথখিবা মতুংদা টালিবান লালহৌবশিংনা অফঘান আর্মি রিক্রুটমেন্ট সেন্টর মৈ থাখি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন মোহিবুল্লাহ মোহিবনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা টালিবান ফাইটরশিংনা জেল খুদুম চন্নবা হোৎনরকখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়বু থৌনা ফনা থেংনদুনা হন্দাকহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি। নাকল অনীগী মরক্তা শোক্লখিবা অকনবা লান অদুদা অফঘান ফোর্সশিং নৎত্রগা টালিবানগী মায়কৈদা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবগে হায়বদুদি খুদক্কী ওইনদি খঙবা ঙমখিদে।

মরু ওইবা লম্বীশিং পুমতাক তাকখ্রে অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং অকোয়বা মফমশিংদগী তাবা ফংলি হায়না ফারাহদা লৈবা প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা সাহ মোমৌদ নায়িমিনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদা লমদম অদু লালহৌবশিংগী মখুত্তা তাবা য়াবগী ফিভমদা লৈখিবনি।

টালিবান্না স্কুল অমা য়াওনা সিভিলিয়ন এরিয়াশিংদা লৈরিবা পোজিসন কয়া কন্ট্রোল তৌশিনখ্রবসু কাবুলদা লৈবা সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিলসশিংনদি ফারহ প্রোভিন্স হৌজিকসু গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌরি হায়রি।


শগোলশেল নুমিত্তা টালিবান্না চথখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা কাবুলদা লৈবা অফঘানিষ্টানগী ইন্টরনেসনল মিলিটরি ফোর্স অমসুং য়ু এস এম্বেসিগা নক্নবা মফম অমদা য়ামদ্রবদা মীচম ১০ অমসুং নাটোগী লান্মী অনী শিখ্রবনি।

## টাইফুন লিংলিং সাউথ কোরিয়ারোমদা চঙশিনখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
অকনবা নুংশিৎশিং য়াওবা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অমা খোঙজেল থুনা সাউথ কোরিয়া পাংনা শীৎচিনখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈবাক অদুদা নোং কন্না চুরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী ৱেদর এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরিয়া মিটিওরোলোজিকেল এসোসিএসনগী মতুং ইন্না চহী অসিগী ১৩ শুবা টাইফুন ওইরিবা টাইফুন লিংলিং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা পুংদা কিলোমিটর ২০-৩০ গী খোঙজেলগা লোয়ননা ওকিনাৱা, জপানগী অৱাং নোংচুপ থংবা সমুদ্র লানখি। টাইফুন অদুগী সেন্ট্রেল প্রেসর হেক্তোপেস্কেল ৯৪০ অমসুং খ্বাইদগী ৱাংবা নুংশিৎকী খোঙজেলনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী ময়াইগা নক্নবদা সেকেন্দদা মিটর ৪৭ নৎত্রগা পুংদা কিলোমিটর ১৬৯ ওইখি। অসিগুম্বা চাংদা কন্না শীৎচিল্লকপা নুংশিৎশিংনা কারশিং অমসুং জহাজশিং মথক মখা ওনহনবা, উ-ৱা কয়া মরু ফুকপা ঙম্মী হায়রি।

ইথৎ খরদা নুংশিৎকী খোঙজেল সেকেন্দ অমদা মিটর ৫৫ নৎত্রগা পুংদা কিলোমিটর ২০০ ফাওবা ওইবা য়াই হায়না ৱেদর এজেন্সিনা ৱার্নিং তৌখি। হৌজিক্কী খোঙজেলদা টাইফুন অদু থাংজ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা জেজুগী খা নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১৫০ না কোনবা সমুদ্রগী শরুকশিংদা অমসুং নুমিৎসিমক্কী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদনা সিওল সিটিগী খা নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১৪০ ফাওবগী সমুদ্রগী শরুকশিংদা থুংলবা য়াই হায়না ৱেদর এজেন্সিনা মখা তাখি।



ৱেদর এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অদু মখা তানা খোঙজেল হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুমিদাংগী পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী প্রোভিন্স হৱাংগেদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা থুংবা য়াই। সাউথ কোরিয় পুম্বদা প্রিমিলিমিনরি টাইফুন ৱার্নিং ইশ্যু তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অদুগী চৈথেং মায়োক্লবগীদমক্তা শেম শারি।

মমাংগী রেকোর্দ কয়া থুগায়গদবা মওংদা মতিক ময়াই লৈরবা নুংশিৎশিংনা ইথৎশিং অমসুং খা অমসুং নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোংবানগী এরিয়াশিংদা শীৎচিল্লক্লগনি হায়রদুনা ৱেদর এজেন্সি অসিনা লোকেল গভর্নমেন্টশিং অমসুং মীয়ামদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা পাউতাক পীখ্রে।

## পাকিস্তান্না ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী মপুং ফাবা পাউখুম পীগনি



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
য়েৎনরিবা কাশ্মির লমদমদা ইনিদয়ানা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংগী খ্বাইদগী মপুং ফারবা পাউখুম পাকিস্তান্না পীগনি অমসুং অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপদগী থোক্লকপা য়াবা অমাঙ-অতাগী ফিভমশিংগী থৌদাং গ্লোবেল কম্যুনিটিনা লৌগদবনি হায়না মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ১৯৬৫ দা ইন্দিয়াগা শোক্লখিবা লান্দা মথ্বায় থাখিবা পাকিস্তানগী ফাইটরশিংবু নীংশিংলদুনা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা দিফেন্স দেগী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা খান্না অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোক্লিবা অসিনা ন্যু দিল্লিনা হৌখিবা থাদা য়েৎনরিবা কাশ্মির লমদমগী শরুক অমদগী ওটোনোমি লৌথোকখিবদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা অমগা অমগা য়েৎথিনবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লে হায়বসি উৎলি।

ঐহাক্না মালেমদা পাকিস্তান্না লান পামদে হায়খ্রে। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অসি লৈদুনসু সিক্যুরিটি অমসুং ইনিটগ্রিটিদা শীংনরক্লিবশিংদা পাকিস্তান্না তুমিন্না খাংদুনা নৎত্রগা য়েংদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা রেদিও পাকিস্তানগী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা খান্না হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, য়েক্লবদা খ্বাইদগী মপুং ফাবা পাউখুম অমা পীনবগীদমক্তা ঐখোয়না শেম শারে। মদুদগী লাকপা অমাঙ-অতা কয়াগী ফিভমশিং অদুগী থৌদাংদি মালেমগী কম্যুনিটিনা লৌগদবনি।

পনবা য়াবদি, চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা প্রাইম মিনিষ্টর খান্না সাউথ এসিয়াগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা ফিভম লৈ হায়বগা লোয়ননা পাকিস্তান্নদি হান্না খুৎ থাবগী থৌওং চথরোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## লন্দনগী হায় কোর্টনা লিগেল চেলেঞ্জ রিজেক্ট তৌখ্রে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
ব্রেক্সিটকী মাঙওইননা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সন্দা থম্নবা লৌরকখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা থাখিবা ৱাকৎ অমা লন্দনগী হায় কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং কোর্ট অদুনা ফাইনেল আপিলগীদমক্তা কেস অদু সুপ্রিম কোর্টতা পুবা য়াগনি হায়নসু রুলিং পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না হৌখিবা ওগষ্ট থাগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা লাউথোকখিবা অমদা গভর্নমেন্টনা অনৌবা লেজিসলেটিভ প্রোগ্রাম অমা পুথোকপা য়ানবগীদমক্তা বৃটেন্না ওক্তোবর ৩১দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লদৌরিবা নুমিৎ খরনি ৱাৎলিঙৈগী মাঙওইননা সেপ্তেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তগী ওক্তোবরগী ময়াই থংবা শরুক ফাওবা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌগনি হায়খিবনি।

জোন্সনগী ৱাফম অদুনা মরম ওইদুনা চহী অনীগী মমাংদা অতোপ্পা ব্রেক্সিটকী ইশ্যু অমদা গভর্নমেন্টপু মায়থিবা পীখ্রবা কেম্প্যেনর জিনা মিল্লরনা লিগেল চেলেঞ্জ অমা পুরক্লবা হোৎনখি। তুংদা মহাক হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন মেজর অমসুং ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পায়খৎলকখিবা প্রোসেসতা য়াওশিনখি। মিল্লরনা কোর্টকী মপান্দা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, বৃটেনগী দিমোক্রেসিগী ওইনা অসিগুম্বা লুরবা মতম অসিদা তঙাইফদনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম লৈহনগদবনি। অদুনা গভর্নমেন্টনা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌনবা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিবু মহাক্না হনবা লৈতনা থেংনগনি। জোন্সনগী ব্রেক্সিটকী থৌরাংশিংগী তোঙানবা লিগেল চেলেঞ্জশিং স্কোটলেন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দদসু হীয়ারিং চথরিবনি।

